# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-05-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৪-০৫-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.কে গোরানিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - ক্লাস ত্বেলফ পারিক্ষা মায় পাক্লবা মহৈরোইশিংনা তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায়পাকনবা হনবা লৈতনা হোৎনগদবনি ।

২) ইম্ফালগী পাউনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেলগী অকোয়বদা লৈবা মীয়ামদা অকি তুজং্বা পোকহনবদা চেন্নবা মীওই ৭ পুলিসনা ফারে। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা চহি ১৮ মখাগী অঙাং ৫ য়াওরি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদি ঙসি বরানাসি মহাক্কী মীরেপচে পীশিল্লগনি।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**সি.এম(এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মনিপুরনা লৌবা ক্লাস ত্বেলফকী পারিক্ষা ২০২৪ গী ফল লাউথোকপদা রাজ্য অসিদা ইহান হানবা ওইনা চাদা ৯৭.৬৩ পাস তৌবা ঙম্লে। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মায়পাক্লবা মহৈরোইশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা পারিক্ষা অসিদা মায় পাকপা ঙমহৌদ্রবশিং নিংহন্নবা তৌদনা মখা তানা হোৎনগদবনি হায়না পুকিং থৌগৎখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকবা ৱারোল অমদা হায়- পারিক্ষা অসিগীদমক মহৈরোইশিংনা থৱাই হকচাং য়াওনা হোৎনগীবশিং তুংগী পুন্সিদসু মায়পাকপা ওইনবা হনবা লৈতনা হোৎনগদবনি। মায় পাকহৌদ্রবশিং মহৈরোইশিংসু মখা তানা কন্না হোৎনগদবনি। পাঙথোকখিবা পারিক্ষা অদুনা অরোইবা নত্তে, মখোয়সু তোঙান তোঙানবা মশাগী হৈজবা লম কয়া লৈরিবনি। অমুক হন্না হোৎনদুনা মায় পাকবা চংশিনগদবনি।

নাকল অমরোমদা, আই.এ.এস প্রোবেসন্নরস ২০২৩ গী কাংবুগা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েত্তা ঙরাং উন্নদুনা ৱারি শান্নখি। সিভিল সার্ভেন্তশিংগী তোঙান তোঙানবা থৌদাংশিংগী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়াওনা সরকারগী ওইবা থৌশিলশিংগী মতাংদসু ৱারি শাখি হায়রি। মুখ্য মন্ত্রি নাংথোম্বম বিরেননা পাউমৈ -নাগা কাংবু ফুরুপকী মীওইশিংগসু উন্নদুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙান মফমশিংদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্নখি।

**জিঙ্ঘাঃ** থা অসিগী ৫ দা চুখিবা লেন য়াওবা অকনবা নোংনা শোকহল্লবা য়ুমশিংদা সরকারনা মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। ঙরাং ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়ুম ৬০৭ তা জিঙ্ঘাশিং য়েন্থোকখ্রে। কাংপোকপী জিলাগী ওইনা য়ুম ১৬৯ দা জিঙ্ঘা য়েন্থোকখ্রে হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি। ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিয়েল মেদিয়া থাগৎলকপা ৱাফম অমদা হায়বনি। মহাকা হায়- লায়বকথীবা থৌদোক অদুনা শোকহল্লবা য়ুমশিংদা সরকারগী মায়কৈদগী মখাতানা মতেং পীখিগনি।

বিষ্ণুপুর,ইম্ফাল ৱেষ্ট ,থৌবাল অমসুং চুরাচান্দপুরনচিংবা জিলাশিংদসু জিঙ্ঘা য়েন্থোকপা হৌখ্রে। লাক্কদবা নুমিৎ খরানি অসিগী মনুংদা শোকহল্লবা য়ুমশিং অমত্তা ৱাৎতনা জিঙ্ঘা ফংহন্নবা হোৎনরি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তারি।

**ওপরেসনঃ** ইম্ফালগী পাউনা কৈথেল অমসুং থঙ্গাল কৈথেলগী অকোয়বদা লৈবা মীয়ামদা অকি তুজংদা পোকহনবদা চেন্নবা মীওই ৭ পুলিসনা ফারে। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা চহি ১৮ মখাগী অঙাং ৫ য়াওরি। পুলিসকী পাউনা হায়- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থীবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথ্দুনা লাক্লি। ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মীয়ামদা অকি অখণ্ড পোকহনবগী থৌদোকশিংগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা থীজিন্দুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে -২৭ ইম্ফাল জিরিবাম অমসুং নেসনেল হায়ৱে -টু , ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা নোংমদা তঙাই ফদনবা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি পুন্না ৭০১ সেক্যুরিতি ফোর্সকী চেকশিন থৌরাং মরক্তা ইম্ফাল য়ৌহল্লকখ্রে হায়রি। ইরাং থোকপা য়াবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অহেনবা

মীৎয়েং চংদুনা নেসনেল হায়ৱে অনি অসিদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্তনবা মখা তানা ঙাকশেনগনি হায়রি। মসিগীসু মথক্তা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১২৬ তা চেক পোইন্ত হাংদোক্তুনা অচৎ অওংশিং য়েংশিনবগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি হায়রি।

**এ.আর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগা ৱারি শান্নবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। অসাম রাইফলসনা থাদোরকপা চেরো অমগী মতুং ইন্না -তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী লুচিংবশিং , খুঞ্জাশিং অমদি ক্লবশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারি শাখি। চীংগী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু ৱারি শান্নবগী থবক অসি চত্থরি হায়রি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**পি.এমঃ** প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদি ঙসি বরানাসি লোক সভা কেন্দ্রগী মীরেপ ওইনবা মহাক্কী মীরেপচে পীশিল্লগনি। ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ৫ শুবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদবা মীখলগীদমক ঙরাং বরানাসিদা পাঙথোকপা মেগা রোদ সোদা প্রধান মন্ত্রি শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা দল অসিগী পিয়াঙ্কা গান্ধি বদ্রগা লোয়ননা রাই বারেল্লিদা মীখলগী ভোট খোমখি। করিগুম্বা দল অসিনা সরকার পায়রক্লবদি লৌমীশিদা তোল্লিবা লোনশিং কোকথোক্কনি হায়না থাজবা পীখি। বি.এস.পিগী লুচিংবী ময়াৱাতিনা লক্ষৌদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়ারদুনা ৱা ঙাংখি৷ মদুদা মহাকা হায়- হৌজিক লৈরিবা বি.জে.পিগী সরকার অমুক হন্না লাক্লরোই ।

**বেলঃ** মণি লোন্দরিং কেস অমগা মরী লৈননা জেলদা লৈরিবা ঝরখন্দগী

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি হেমন্তা সোরেননা ইন্তরিম বেল পীবিনবা হায়জখিবা অদু সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রে। হন্দক্তা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱাল জেলদগী থাদোকখিবা অদু য়েংলগা শ্রী সোরেননা হৌজিক চথরিবা লোক সভা মীখল অসিদা মহাক্কী দল ঝরখন মুক্তি মোর্চাগীদমক ভোট খোম্বদা শরুক য়ানবা ইন্তরিম বেল পীবিনবা হায়জরকখিবনি।

**নক্সালাইদঃ** মহারাস্ত্রাগী গদচিরোলি জিলাদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকা নোংমৈ কাপবদা নুপী অনি য়াওনা নক্সালাইদ অহুম শীরে। নিলোতপলগী এস.পিনা হায়- রাজ্য অদুগী ভমরাগরট তালুকাদা পেরিমিলি দালমগী মীওইশিং কেম্প তৌদুনা লৈরে হায়বা ইন্তিলিজেন্সকী পাউ ফংবদগী মফম অদুদা ওপরেসন চথনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সশিং চংশিনখিবনি। মদুদা থীবা হুম্বগী থবক চথরিঙৈদা নক্সালাইদশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি । সেক্যুরিতিগী মায়কৈদগীসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। নোংমৈ কাপবা লোইরবা তুংদা পুলিসনা মফম অদুদা য়েংশিনবদা মীওই অহুমগী অশিবা হকচাং থেংনখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা পেরিমিলি দালমগী ইনচার্জ অমসুং কম্মান্দর য়াওরি। মফম অদুদগী এ.কে ফোর্তি সভেন রাইফল অমা ,করবাইন্দ অমা ,ইনসাস রাইফল অমা অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া ফংবা ঙল্লে।

**জমনাস্তিকঃ** হোংকোংদা চথরিবা ৬ শুবা এসিয়ান্ত ত্রমপোলিন জিমনাস্তিক্স চেম্পীয়নসিপতা ভারতকী শ্রীস্তী খন্দাগ্লেনা ল্পাগী তকমান ফংদুনা মশান্না অসিদা তকমান ফংবা লৈবাক অসিগী অহানবা শান্নরোই ওইরে। মশান্না অসিদা কজাস্তানগী দোলগো পোলোভানা সনাগী তকমান অমসুং হোংকোংগী এস.হুংনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখি।

**ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**

**হৌজিক ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দ লৈরে--**

**-প্রেমচান্দ-**

**--পাউ লোইজরে--**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - ক্লাস ত্বেলফ পারিক্ষা মায় পাক্লবা মহৈরোইশিংনা তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায়পাকনবা হনবা লৈতনা হোৎনগদবনি ।

২) ইম্ফালগী পাউনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেলগী অকোয়বদা লৈবা মীয়ামদা অকি তুজংবা পোকহনবদা চেন্নবা মীওই ৭ পুলিসনা ফারে। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা চহি ১৮ মখাগী অঙাং ৫ য়াওরি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদি ঙসি বরানাসি মহাক্কী মীরেপচে পীশিল্লগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-গোরানি**

কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দ্ররি ইদুকেসন মনিপুরনা লৌবা ক্লাস ত্বেলফ পারিক্ষা ২০২৪ গী ফল লাউথোকখিবগী পাউ ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।        পারিক্ষা ফল লাউথোকপগী পাড অসি পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেস, হুইয়েন লানপাউ অমসুং        ঈচেল এক্সপ্রেসতা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পোকফমদা - হায়র সেকেন্দ্ররি একজামিনেসনগী ফল লাউথোকখ্রে, কোসেমগী পুৰারিদা খ্বাইদগী ৱাংবা চাংদা মহৈরোই চাদা ৯৭.৬৩ পাস তৌখি হায়না বেন্নর হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা সব হেদলাইন অহুমশু য়াওরি। অহানবা সব হেদলাইন অসি হোকর অমগী মচানুপীনা সাইন্স স্ত্রিমদা অহানবা পোজিসন লৌখ্রে। অনিশুবদনা আর্টস স্ত্রিমদা মকোক থোংলকখ্রবা সৈত্যাজিৎনা সিভিল সার্ভিস পাল্লি অমসুং মীগী য়েনাখাদা চংজফম লৌরিবি আইনানা কর্ম্মসকী মকোক ওইরে হায়বা সব হেদলাইন অসিনি।

ক্লাস ত্বেলফকী পারিক্ষাদা মকোক তারক্লবা মহৈরোইশিংনা করি ওইনিংলিবগে হায়বা পাউ অসিদা য়ুফম ওইবা হেদলাইনশিংসু পাউচে অয়াম্বদা ফোংবা থেংনরে ।           সাইন্স তোপ্পর মালেঙনবি দোক্তর ওইদুনা মীয়ামগী শেবা তৌবা পাল্লি, আর্ট তোপ্পর সৈত্যাজিৎ য়ু.পি.এস একজাম থাদুনা আই.এ.এস ওইনিংলি অমসুং কম্মর্স তোপ্পর আইনানা এসোসিয়েসন ওফ চার্টর সর্তিফাইদ একাউন্তেন্ত ওইগনি হায়না মহৈরোই অহুম অসিনা ফোংদোরকপা ৱাফমশিং        ঈচেল এক্সপ্রেসতা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপকী মশিং হেনগৎলক্লে হায়বা ফুংয়র এম.এল.এগী ৱাফম পিপলস কোনিকেলগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন অমসুং সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতনা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদা কামজোংদা ম্যান্মারগী রিফ্যুজিশিংদা হিংশাগী থৌওং কয়া চত্থরক্লে হায়না হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মনিপুরদা লাঞ্জেন্নরকপা ম্যান্মার রিফ্যুজিশিং সরকারনা ফাগদ্রা হায়বগী অকিবা মায়োকরে, ম্যান্মারদগী লাঞ্জেল্লক্লবসু জঙ্গলদা লোটতুনা লৈরি হায়না ম্যান্মার রিফ্যুজি অমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর নিউজকী অহানবা হেদাইন ওইরি। পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা বি.এস.এফ হনখিবা য়ারোই হায়না পাক শন্না খোংজন চংশিনখ্রে হায়বা হেদলাহন অসি ফোংবা থেংনরে।

গানফিউ মেলদা- ক্লাস ত্বেলফকী পারিক্ষা ফল লাউথোকপদা নুপীমচা মহৈরোইশিংনা নুপামচাশিংদগী মকোক থোংলক্লে হায়না হেদলাইন পিরি। পারিক্ষা হায়দোকপগী পাউ অসি তমেংলোং টাইমসকীসু অহানবা হেদলাইন ওইরি।

--গোরানি--